# দিএম কলেজ ওফ সাইন্স মণিপুরগী অহানবা সোলর কলেজ ওইরে

***আইবি য়ুম্লামদগী***

*ইম্ফাল, জুন ৭ঃ* জৱাহরলাল নেহরু  সোলর মিসনগী মখাদা  দিএম কলেজ ওফ সাইন্স ষ্টেটসিগী ইহান হানবা সোলর কলেজ ওইরে। মিসন অসিগী মখাদা কেভি ৫০ গী পৱার ফংদুনা ইন্টরপটেদ পৱার সপ্লাই লৈদুনা মহৈরোইশিংনা মৈগী অৱাবা মায়োক্লরম্বদু কোকহনবা ঙমখ্রে।

কলেজ অসিগী ওইনা হান্না ফেজ অহুমগী মৈ লৌশিন্দুনা শীজিন্নরম্বদসু শকখঙদবশিংনা ৱায়া হুরানখিবদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরকপগী মথক্তা মৈ চাং নাইনা লাক্তবা কয়ানা কলেজগী প্রক্তিকেল অমদি কম্প্যুটর ক্লাসশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি। দরকারগী মতুংইন্না মৈ শীজিন্নদবা য়াদবনা জেনরেটর শীজিন্নরবসু মসিগীদমক্তা সরকারনা তোঙান্না মেন্টেনেন্সকীদমক পৈশা হাপ্তবনা মসিগী অৱাৎপা কয়া লৈবদগী কলেজ ওথোরিটিনা জৱাহরলাল নেহরু সোলর মিসনগী মখাদা কলেজ অসি সোলর কলেজ অমা ওইহনবা য়াৱ্রা হায়বদু থিজিল্লবা মতুংদা অয়াবা লৈরম্বদগী ভারত সরকারগী মিনিষ্ট্রি  ওফ নিউ এন্দ রিন্যুয়েবল ইনর্জিদা চে থাদুনা স্কিম অসি পায়খৎখিবনি।

স্কিম অসি চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ১.৫ রোম চংনা ষ্টেটসিগী অহানবা ওইনা মিনিষ্ট্রি অসিগী মখাদা সোলর কলেজ অমা ওইহন্নবগী খোঙথাং অসি পায়খৎলকপনি।

স্কিম অসি পায়খৎপদা পুন্না লুপা ক্রোর ১.৫ চংলিবা অসিগী মনুংদা চাদা ৯০ না মিনিষ্ট্রি অসিনা পুথোক্লগা চাদা ১০ না য়ুজিসি গী কলেজ ওফ পোটেন্সিয়েল এক্সলেকী শেল্হং মখাদা কলেজ অসিনা পুথোক্লগা স্কিম অসি পায়খৎপনি। লোয়ননা সোলর কলেজ  ওন্নবগী দরকার লৈবা সোলর প্লেটশিং অমদি অতৈ ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং রাজস্থান ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইন্সত্রুমেন্ট লিমিটেদতগী লৌবনি। অদুগা মচাকশিং ফিট তৌবগী অচংবা লুপা লাক্ষ ৪ রোম অমনা কলেজ অসিনা পুথোকচবনি।

স্কিম অসি মায় পাক্লা পায়খৎপদগী কলেজ অসিগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ১৪ দা দরকার লৈবা মৈ মপুং ফানা সপ্লাই তৌবা ঙম্লে। হান্না মৈ লৈতবদগী কম্প্যুটর ক্লাস তৌবা অমদি অতৈ প্রক্তিকেলনচিংবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরকপদু কোক্লে। পুন্না মৈ কেভি ৫০ রোম  ফংলিবা অসিনা কলেজ খক্তদা শীজিন্নবা লেম্বনা কলেজ অসিগী হোষ্টেল অমদি কলেজগী ষ্টাফশিংগী ক্বার্টরসতা পীনবা হোৎনরি হায়রি।